ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯁꯒꯣꯜꯁꯦꯟ, ꯑꯣꯛꯇꯣꯕꯔ ꯱꯰, ꯲꯰꯱꯹, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯳ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯱꯹꯱ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
শগোলশেন, ওক্টোবর ১০, ২০১৯, ইম্ফাল
৪৩শুবা চহী, ১৯১শুবা মশীং

# মনি লোন্দরিং থিংনবা থৌরাং

## মপান লৈবাক্তা থৈদোকখ্রবা ব্লেক মনি পূন্নমক ফাগৎপা ঙমগদৌরিবরা

টেররিজমদা শেল থাদবা অমসুং মনি লোন্দরিং থিংনবগী মতাংদা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা ইন্টর মিনিষ্ট্রিয়ল কোওর্দিনেসন কন্মিটি অমা শেমখ্রে। প্রিভেন্সন ওফ মনি লোন্দরিং এক্ট ২০০২ গী সেক্সন ৭২ এগী মখাদা শেমখিবা মেম্বর ২০ লৈবা কন্মিটি অসি রেভিন্যু সেক্রেটরিনা লুচিংলি। য়ুনাইটেদ নেসন্সকী ফাইনান্সিয়ল এক্সন টাস্ক ফোর্স (এফ এ টি এফ) না মেম্বর লৈবাকশিংদা মনি লোন্দরিং অমসুং টেররিজমদা শেল থাদবগা মরী লৈননা মীৎয়েং চঙলমদাইদা ইন্দিয়াগী ইন্টর মিনিষ্ট্রিয়ল কোওর্দি-নেসন কন্মিটি অসি শেমখিবনি। কন্মিটিদা য়াওরিবা মেম্বরশিংগী মনুংদা দিপার্টমেন্ট ওফ ফাইন্সিয়ল সর্ভিসেস, দিপার্টমেন্ট ওফ ইকনমিক এফ্যেরস, মিনিষ্ট্রি ওফ কোর্পোরেট এফ্যেরস অমসুং মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফ্যেরসকী সেক্রেটরিশিং; এক্সটর্নেল এফ্যেরস মিনিষ্ট্রিগী সেক্রেটরি (ইষ্ট); ইন্টলিজেন্স ব্যুরোগী দিরেক্টর; সিক্যুরিটি এক্সচেঞ্জ বোর্দ ওফ ইন্দিয়াগী চ্যেরমেন; ইন্স্যুরেন্স রেগ্যুলেটরি দিভলপমেন্ট ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী চ্যেরমেন; রিজার্ভ বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়াগী দেপ্যুটি গভর্ণর (বেঙ্কিং এন্দ রেগ্যুলেসন্স); সেন্ট্রেল বোর্দ ওফ ইন্দাইরেক্ট টেক্সেস এন্দ কষ্টমসকী চ্যেরমেন; সেন্ট্রেল বোর্দ ওফ দাইরেক্ট টেক্সেসকী চ্যেরমেন; মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফ্যেরসকী স্পেসল সেক্রেটরি (ইন্টর্নেল সিক্যুরিটি); দিপার্টমেন্ট ওফ পোষ্টকী মেম্বর (বেঙ্কিং এন্দ দি বি টি); দিরেক্টোরেট ওফ ইনফোর্সমেন্টকী দিরেক্টর; এন আই এগী দিরেক্টর জেনরেল; নার্কোটিক্স কন্ট্রোল ব্যুরোগী দিরেক্টর জেনরেল, ফাইনান্সিয়ল ইন্টলিজেন্স য়ুনিটকী দিরেক্টর; এস এফ আই ওগী দিরেক্টর; সেন্ট্রেল ইকনমিক ইন্টলিজেন্স ব্যুরোগী দিরেক্টর জেনরেল অমসুং চ্যেরমেননা খনবা অতৈ অতোপ্পা মেম্বরশিং য়াওগনি হায়রি। দিপার্টমেন্ট ওফ রেভিন্যুগী ফাইনান্সিয়ল এক্সন টাস্ক ফোর্স সেলনা কন্মিটিগী সেক্রেটরিএট ওইনা মথৌ পাঙথোক্কদৌরি। কন্মিটি অসিনা লো ইনফোর্সমেন্ট এজেন্সীশিং, ফাইনান্সিয়ল ইন্টলিজেন্স য়ুনিট- ইন্দিয়া অমসুং রেগ্যুলেটরশিংগী মরক্তা মতেং পাংনরগা মনি লোন্দরিং অমসুং টেররিজমদা শেল থাদবগী থৌওং মপুং ফানা থিংনবা থৌরাং লৌখৎকনি হায়রি।

চৈরকসিদা "ওটোমেটিক ইনফোর্মেসন এক্সচেঞ্জ ফ্রেমৱর্ক"কী মখাদা স্বিটজরলেন্দনা লৈবাক অদুগী তোঙান-তোঙানবা বেঙ্কশিংদা একাউন্ট হাংলিবা ইন্দিয়নশিংগী দেটা পীরকখ্রে। থৌরাং অসিনা মরম ওইরগা মপান লৈবাক্তা লোন্না থৈদোক্তুনা থল্লিবা শেনফম পূন্নমক ময়েক শেংনা খঙবা ঙম্লগনি হায়না থাজনরি। ইন্দিয়াগী বিজিনেসমেনশিংনা অরোনবা মওংদা থৈদোক্তুনা থল্লম্বা শেনফম; সাউথ ইষ্ট এসিয়াগী লৈবাকশিং, য়ুনাইটেদ ষ্টেট্স, য়ুনাইটেদ কিংদম, অফ্রিকা অমদি সাউথ অমেরিকাগী লৈবাকশিংদা খুন্দাখ্রবা নন-রেসিদেন্ট ইন্দিয়ন (এন আর আই)শিংনা থৈদোক্লগা থল্লম্বা শেনফম পূন্নমকসু ফাগৎপা ঙম্লগনি হায়রি। স্বিস নেসনল বেঙ্কনা থাদোরকখিবা রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না স্বিটজরলেন্দগী তোঙান-তোঙানবা বেঙ্কশিংদা শেল খ্বাইদগী য়াম্না থল্লম্বা লৈবাকশিংগী মনুংদা ইন্দিয়ানা ৭৪শুবদা লৈরি। চহী অমগী মমাঙদদি ৮৮ শুবদা লৈরম্বনি। স্বিটজরলেন্দগী বেঙ্কশিংদা শেল খ্বাইদগী য়াম্না থল্লিবা লৈবাক মঙাদি মথংশিংনা য়ুনাইটেদ কিংদম, য়ুনাইটেদ ষ্টেট্স, ৱেষ্ট ইন্দিজ, ফ্রান্স অমসুং হোংকোংনি। স্বিটজরলেন্দগী ওথোরিটিশিংনা হন্দক মপূং ফাবা রিপোর্ট অমা পীরকখিবসিনা মরম ওইরগা ইন্দিয়াগী করম-করম্বা মীওইশিংনা স্বিটজরলেন্দগী করম্বা বেঙ্কতা শেল কয়া য়াম্না থল্লিবগে হায়বদু খঙবা ঙম্লগনি। তৌবগীবুদি হৌখিবা জুন ১৬তসু স্বিটজরলেন্দগী ওথোরিটিশিংনা লৈবাক অদুদা একাউন্ট হাংলিবা ইন্দিয়ন ৫০গী মরমদা মপূং ফাবা রিপোর্ট অমা পীরকপা লৈখ্রবনি। ইন্দিয়াগী মীওই খরা অমসুং এন আর আই খরনা স্বিটজরলেন্দগী করম-করম্বা বেঙ্কশিংদা শেল কয়া য়াম্না থল্লিবগে হায়বা ময়েক শেংনা খঙলবসু হৌজিক ফাওবদি ওথোরিটিশিংনা হীরম অসিগী মতাংদা মতীক চাবা থৌরাং অমত্তা লৌখৎলক্ত্রি হায়বা য়াই। শেঞ্জা থুমজা মপূং ফানা থিংগনি অমসুং মপান লৈবাকশিংদা থৈদোক্তুনা থল্লিবা ব্লেক মনি পূন্নমক ফাগৎকনি হায়না লাউথোকখিবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা লৈঙাক্না হীরম অসিগী মতাংদা করি-করম্বা থৌরাং লৌখৎলকপগে হায়বদু য়েংবা তাবনি।

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

### লৈঙাক্না গাড়ী পার্কিং মফম চানা শেমগৎপীয়ু

ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,

মণিপুরগী মরুওইবা লম্বীশিংদা লৈরিবা ওফিসশিং মরুওইনা খুয়াথোংদা লৈবা পি দব্লিয়ু দি ওফিস অমদি এল আই সী ওফিস মমাঙগী লম্বী নাকলদা গাড়ী পার্কিং ওইশিনবদগী মীয়ামগী চৎথোক-চৎশিন্দা খুদোংচাদবা কয়া তোয়না মায়োক্নরে। হান্নদি পি দব্লিয়ু দি কমপ্লেক্স মনুংদা গাড়ী পার্কিং ওইরম্বনি। অদুবু পি দব্লিয়ু দিগী কমপ্লেক্স মনুংদা চহী খরগী মমাঙদা ঈরাং খরা থোকখিবনা ওফিসকী ৱাংমা লম্বীগী মতাইদা গাড়ী পার্কিং ওইশিনখিবদগী ঙসি ফাওবা হোংজিন্দনা লৈরি। মসিনা মরম ওইরগা নেসনল হায়ৱে নম্বর ২গী খুয়াথোংদগীনা ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী ওফিস মমাঙ ফাওবদা লম্বীগী নাক-য়েৎতা মীয়াম্না নমদুনা গাড়ী পার্কিং ওইশিনখিবদগী পিক অৱার মতমদা লম্বী অসি য়াম্না চিল্লে। মরুওইনা লৈঙাক্না লম্বী পাকথোক্লবসু গাড়ী পার্কিং মফম চানা শেমগৎপীহৌদবনা ঙসিদি লম্বীগী নাকলদা গাড়ী পার্কিং ওইশিনখিবদগী লৈঙাক্না লম্বী পাকথোকপগী কান্নবা অদু মীয়াম্না ফংবা ঙমদ্রে।

লম্বীগী নাকলদা গাড়ী মচাদা নত্তনা ফোর হ্বিলর খাল্লিবশিংসু দবল পার্কিং ওইশিনবা য়াওরি। মসিদা নত্তনা ফোর হ্বিলরশিং অদু য়ুংনা য়ুংনা খাম্বগী মহুত্তা ফৈনা খাম্লগদি লম খরা কোমগদবা অদু য়ুংনা য়ুংনা খামজিল্লি। ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলনসু তোঙান তোঙানবা মফমদা গাড়ী পার্কিং ওইশিন্দুনা শেল খোমগৎলি। শোমদনা মীয়ামগী চৎথোক চৎশিন্দনা অপনবা ওইহল্লি। বাবুপড়াগী সেক্রেটরিএট মমাঙদগীনা চীফ মিনিষ্টরগী বঙ্গলো মমাঙ ফাওবসু লম্বীগী নাকলদা গাড়ী পার্কিং ওইশিনবদগী মীয়ামগী চৎথোক চৎশিন্দা অপনবা ওইরি। লোয়ননা দবল পার্কিং ফাওবা ওইশিল্লকপদগী য়াম্না তোয়না ট্রাফিক জাম থোকপা য়াওরি। হীরম অসিদা মতাংদা মণিপুর লৈঙাক্না অখন্নবা মীৎয়েং চংবীয়ু ।

*অদোমগী - বিজয় লাই*

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১০৫

১। মণিপুরগী পুৱারীদা জননেতা ইরাবতকী মফম চাউনা লৈরি। সেপ্টেম্বর থানা লাকপদা লৈবাক হুপ্না মাবু নীংশিংনরি।
(ক) জননেতানা সিলেটতা তম্লম্বা স্কুল অদুগী মমিং হায়য়ু।
(খ) জননেতানা অরোইবা য়াহিপ তানখিবা মফম অদুগী মমিং হায়য়ু।

২। "শেলবু পায়রবদি অতাঙবা লৈতে, ফংদবা লৈতে। কলিদদি শেল পায়বনা রাজানি।" ৱাফমসি 'মমাঙথোঙ লোল্লবদি মনীংথোঙদা লাকউদনা' কৌবা ৱারীমচাগী লাইরিক অদুদগী লৌথোকপনি। অইবদুগী মমিং হায়য়ু।

৩। ক্ষেত্রি বীরগী নোবেল অমদা গোপাল কৌবা অমগী নুপী টিমগী থৱায়না কাছাড়দা মপোক অমদা পোক্তুনা লৈরম্বা থেংনৈ। নোবেল অদুগী মমিং হায়য়ু।

৪। আর কে সনাহনবীগী ৱারীমচা অমদা কলাবু নুংশিজরুবী কনাগুম্বী অমবু কলাকার অদুনা মমায় কনশিল্লক্তুনা লৈফম খঙলক্তবা মতাং অমা উৎপা থেংনৈ। ৱারীমচা অদুগী মমিং হায়য়ু।

৫। "নঙগী নাপলগী থৌরবা তিঙ্খংনা/কনথৎলম্লবা ঐগী থমোয়দা/করিগী শোক্লরি অমুক নৌনা/হূ তৈরবা নঙগী নখূৎনা।" পরেংশিং অসি মমিং লৈরবা ঈশৈ অমগী অহৌবা পরেংশিংনি। অইবা অদু কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওক্টোবর ১৫, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# পুন্সিসিবু পাউখোংলা?

**সোইবমচা ইন্দ্রকুমার**

কনানা য়েকপা লাইনো খঙদবা অয়েকপা লাই অমা নোংমা উখি মেগাজিন অমদা। মদুদা য়েক্লি - মশীং য়াম্লবা তুংইনবশিংগী মফমদা পাউতাক পীরিবা, 'অশিংবা লুচিংবা' অমগা, মকোক্তগী মঙালগী মশক ওইরবা মশেক মঙাল থক্তোক্লিবা 'লাইনীংবা' অমগা। অশিংবা মীদুগী মপাদা শক্তাক ৱাহৈ ওইনা ইরি - 'খ্বাইদগী পঙবা মী'। অদুগা, লাইনীংবা অদুগী মপাদা ইরি - 'পাপি অমা'। লাই অদুনা চল্লিবা পাউখোং অদুনা ঐবু মরক মরক্তা তূম্বা য়াদনা ৱাখল খলহল্লি, ৱাখলগী উমংদা লম্মুক্নহল্লি। মী অমনা পুন্সিদা পাঙথোক্লিবা থবকশিং অসিগী অফ-ফত্ত, অচুম-চুমদগী ৱাফম অসি লাই অদুনা তত্তনা নীংশিংহল্লি।

পুন্সি! তীল-কাঙগী পুন্সি, শা-ঙাগী পুন্সি, উপাল-ৱাপালগী পুন্সি অমদি মীওইবগী পুন্সি! পুন্সি হায়বসিদগী হেন্না ঙকপা অমা লৈবরা তাইবঙপাল অসিদা? মালেমসিদা ঐখোয়না থৱায় পানবা অমা ওইনা পোক্নরিবসি করিগীনো? ঐখোয়না পুন্সি অমা শাগোন্নরিবসিগী পান্দম করিনো? ৱাখল খনবা ঙম্বগী শক্তি অসি মীওইবখক্তদা পীরম্লিবা করিগীনো? ঐখোয়না মী ওইনা পোক্নরিবসিবু ইশা-ইশাগী অপাম্বা-অনীংবা মতুংইন্না পোক্লকপরা? ঐখোয় কদায়দগী লাকপনো? কদায়দা অমুক হনখিনি? কনামত্তা খঙদে। চমম্লবা অসি কোক্নবনি - ৱারেংসিগী অহৌবদা পঞ্জখ্রিবা 'অশিংবা অপঙবা' অমদি 'লাইনীংবা পাপি' শিংনা পাপ/পুন্যগী ৱাফম অমদি মমাঙগী মপোক, মথংগী মপোক'কী ৱাফম অনী পুথোক্তুনা শমজিন্নরম্লিবা।

'পুন্সি' না চল্লন্লিবা পাউখোঙ অসি ফোঙনবা মীওইবনা হোৎনরক্লিবা অসি মশীং থীঙমদ্রবা কুমজা - কুমওন কয়াগী মমাঙদগীনি। অমনা ফোঙলে অমনা য়াদে। ফোঙখিরোই হৌজিকসু লোইনাইদ্রবা মতম অদু ফাওবা। পোকপা-শিবা-হিংবা অহুমসিগী লেপ্পা নাইদনা উংলিবা 'চক্র' (কাংখোঙ) অসিসু লেপ্পা লৈতনা উংখিনি। শিংবদগী শিংলবা মীওইবনা উরবা-খঙলবা থা-থৱান্মীচাক, গ্রহ-উপগ্রহ মশীং থীঙমদ্রবা ময়াম অসিগী মরক্তা মালেম (পৃথিবী) অসি নত্তবা মফম অমত্তদা 'পুন্সি' কৌবা পোৎশক অসি শেম্লমদ্রিবা করিগীনো? কনানসু খঙবা ঙমদ্রি। পূন্নমকসিবু শেম্বীবা 'মপু' অমা লৈ হায়না খন্দোক্তুনা পঙলবা মহাক্কী অশিংবা কোক অদুগী পোৎলুম য়াঙহল্লি।

ঐখোয় অমুক্তা খন্নসি- ঐখোয়বু শেম্বীবা মপু অমা লৈরবদি মহাক্না ঐখোয়বু মালেমসিদা অখন্ননা থল্লম্বগী মরম মহাক্তনা খঙফম থোকই, মানা শান্নরক্কদবা কুমহৈ অদু করিনো হায়বদু অদুম ফমদুনা য়েংথোক্লসিরা? নৎত্রগা, শেম্বীবা মপুগী পূক্নিং অমদি অপাম্বদু ঐখোয়না খঙবীদুনা মলেমসিদা হিংলিঙৈ তৌগদবা ইথৌ অমদি অতোপ্পা অহিংবা থৱায়শিংগী মফমদা চৎকদবা লীচৎ অদু মশক খঙনা হিংসিরা? অতোপ্পগী পুন্সিবু ইকায় খুম্নদনা ঐগী পুন্সিবু কনানা ইকায়খুম্নবীরক্কনি! অতোপ্পবু হাৎপগী ৱাখল খল্লবদি ঐবুসু নোংমা মীনা হাৎখিবা শোয়দবনি। উ-ৱা, হৈপাল-লৈপাল ঐখোয়না নীংথিনা থারগা, মখোয়না মহৈ-মরোং পীদুনা ঐখোয়বু হিংহল্লি। উমং-ৱামংদা শাহীং চাবা শা-কৈনা চৎলিবা শাজৎ, মুন্না য়েংশিল্লুরগা খঙলকই, পুন্সিগী মশক থোকহন্নবনি।

মীওইবা কৌবা থৱায় পানবা পূন্নমক্তগী পুমহেন হেন্না শিংলবা থৱায় পানবা অসিনা মশাগী পুন্সিবু নীংথিনা শক খঙলবরা? নৈননীংঙাই ওইরি ঙসিসু। লাইমক্লি খন্নরবা লাইগী মচা কয়া পোকখরে মালেমসিদা। পুন্সিবু মশক তাক্লবা তাঙলবা পুন্সি কয়া বলিদান ওইনা কৎখরে। পাউতাক কয়া পীরম্লে, লাইরিক কয়া ইরম্লে। অদুবু, অঙকপনি মীওইবা! কুইর কুইরগা হেল্লকই 'পুন্সি' মশক খঙদবা। চাওখৎপা হেল্ল হেল্লগা নুংশি খঙদবসু হেল্লকই।

মীওইবগী পুন্সি - 'পোকপদগী শিবফাওবগী খোঙচৎ অমনি' হায়না লৌবা য়াই। লাল্লব্রা? খোঙচৎ অসিগী মনুংদা মীওইবনা তৌরিবা থবক খুদিংমক মহাক্কী পূক্নিং অদুনা লমজিংলগনি। শিদ্রিবফাওবা মীওইবগী পূক্নিংনা পাম্মী- মাগী ওইবা ফংদবা/ফংদ্রিবা পোৎশক অমা ফংননবা হোৎনবা। অপাম-মিহৌ, কল্লক-য়েংথী পোক্ত্রিবা নৌরিবা অঙাংশিংদা য়েংবিয়ু- মহাক্না পায়দুনা শান্নরিবা মমল য়াম্লবা শান্নপোৎ অদুদগী অতোপ্পা অঙাং অমনা পায়রিবা শান্নপোৎ অদুবুনা হেন্না পাম্মী, মদু পীয়ু হায়দুনা নিংঙাই তৌগনি। পুংকক চাউরক্লবী নুপীমচাশিং, অতোপ্পা মমান্নবীশিংদুনা শেৎলিবা ফিজোলদু উবদা কল্লকচৈ। খল্লি, 'হোরেনদি ঐখোয় ববাদা হায়রগা ঐগীসু অমা লৈহনগে।' মমল য়াম্লবা ফি-রোল শেৎ-চাদুনা জিপ-কার তোংদুনা লাকপদু উরগা নুপামচাশিংনা খল্লি, 'মীগী মচাদি কয়াদা মরাইবক ফখ্রবা! ঐগীদি, মীমান্নদ্রবা ইমা ইপানি।' শূবা-নোম্বা, হোৎনবা কনবা নুপা অমনা মরল-মথুম পৈশিনবা, ময়ূম মকৈ ৱাংখৎলকপদু উবদা শূনীংদবা, ৱাদনা নুংঙাইনীংবা অমনা তূম্বা-চাবা য়াদনা খল্লি... 'করম তৌরগা মাগী মপোৎ-মরলসি মুন্দুনা লৌশিগে...'। অতোপ্পা মরল লৈবা অমনা অমুক খল্লি, 'মাগী য়ূম অসিদগী হেন্না ফজবা য়ূম অমা ঐগীসু শাগে।'

মশাগী বেঙ্ক একাউন্ট'তা লৈরিবা বেলেন্স অদুখক্তনা মচা-মশু-শুরোন ফাওবা ৱাক্ত-পাদনা থম্বা ঙম্লগদবা ক্রোরপতি অদুনসু খল্লি... 'তেল্লবা মতম খরগী মনুংদা ক্রোর চাম চনীদংগা অমুক তানবা ঙম্লবদি ঐহাক কয়াদা নুংঙাইগনি...।' লম অমগী কারবারদা মায় পাক্লবা অমনা অতোপ্পা লম অমদা করবার তৌরিবা মঙোন্দগী হেন্না মায় পাকপা করবারৱালা অদু উরগা মতোমতা তকসি শোনজগনি, 'মসিগী কারবার অসিদি ইচা-ইশুদা তৌহনবা য়াবা নত্তে, মসি তৌরুদুনা ঐ ৱারিবনি, মীদি কয়াদা নুংঙাইনা তৌরিবা!' শা-ষণ-হামেংনচিংবনা শজিক চাবদা, শম্বল ৱাংমদা হৌরিবা নাপি অসিনা হেন্না হাউগনি নীংদুনা শম্বল থুদেক্তুনা চানীংলুবদুগা পাংখক্লি। শম্বল ৱাংমা লাল্লুবদুনা খুদোংথীবা অসি খূৎ খত্তুনা কৌরুবনি হায়বদু খুদোংথীবদু মায়োক্নরবতদা খঙগনি। ঐগী থবক খূৎতৌদা পেন্দ্রবা ঐগী 'বোস' অদুনা ঐবু মনাক্তা কৌরগা ঙাঙলকপদা খল্লি, 'ঐসু নোংমা নঙগী নথক্তা লৈরগা নঙোন্দা ঙাঙগে।' লম্বী লম্মখাংদা নোংফাদোক থেংনবা শকহেনবীদু উবদা খলহৌই, 'মহাক্না ঐগী নুপী ওইরম্লবদি ঐসে কয়াদা লাইবক ফরমগবা!' মহাক্কী নুপীদুসু নীংথিনা মকে শেমদুনা, নীংথিবা ফিজেৎ-লৈতেংগা লোয়ননা চৎলিঙৈ কনাগুম্বনা উখ্রবদি ৱাখলদুমক অউবশিংদা পোক্লমগনি হায়বদুদি নোংমতসু খল্লুদে। মীগী নুপীনা ঐগী নুপীদৈ হেনবোই নীংবা, নুপাশিংগী মচৎনি। নুপী-নুপা খাইনবা হায়বদুগী ৱারুদি, মুন্না থিজিল্লুরগা, নুপী নৎত্রগা নুপাদুদা পোক্লকপা অসিগুম্বা ৱাখলসিনা হেক্তা ওইরম্বনি নীংশিংবীয়ু।

পূক্নিংগী অপেনবা অমদি নুংঙাইবা হায়বসিদি মীৎয়েং পোইরৈদা লৈরিবা মায়া মরিচিকা অদুনি। ইমিৎসিনদি উগনু য়াদবা, ইখূৎসিদদি কৈদৌনুংদা চল্লু য়াররোইদবা পোৎশক অদুনি নুংঙাইবা। অপাম্বা অমা ফংলুবদুনা পোকহল্লক্কনি অতোপ্পা অপাম্বা।

থম্মোয়না খোয়দাবা ফিগে ফনেক অমা লৈরুরবা তুং, লৈনীংলক্কনি মদুগা চূনবা মমল য়াম্বা ইন্নফি, মচু মখল কয়াগী। অদুদগী অমুক চূনবা মচুগী ফুরিৎ- থবাক কোৎপী/কোত্তবী। মথংদা নাপ্পগী নাইন, ঙকশম অমদি থবাক্কী লৈতেং ওইনবা সনাগী লীকফাং। ফজবা শমহাৎ, কোক্কী লৈতেং, কুচু পালহন্নবা মায়তৈ-হীদাক, খূৎশাদা খুদোপ, খোঙগী খোঙউপ। পূন্নমক্তুবু চেকশিন্না থম্নবা য়োৎকী উপু, অনানবা কা, চেক্কী য়ূম... লোইবা নাইদ্রবা তঙাইফদবা, ঐগী ওইদ্রিবা পোৎচঙ কয়া।

মসিনি পুন্সি, মীওইবৈ পুন্সি। পুন্সিগী খোঙচৎ-করিগুম্বা অমা থিবনি। ফংবা কৌবদি লৈররোইদবা করিগুম্বা অমা থিবনি। মীওইবা-খ্বাইদগী পঙবা, অশিংবা থৱায় পানবা অমনি। পুন্সি - ফোঙবা ঙমদ্রবা পাউখোং অমনি। ●

# মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিল্লবা মতুংদা ওইরক্লিবা ফীভম - ৮৯

**উসম ধনঞ্জয়**

**ওগষ্ট ২১, ২০০৯ :** থাঙ্গাল বাজারদ লৈবা চেম্বর ওফ কর্ম্মস হোস্পিটালদা বোম এটেক তৌরকপদা মীওই অহুম শোকখি। অয়ুক পুং ৬.৫০ রোম তাবদা গ্রেনেদ অদু নহা অনীনা হুনজিল্লকপনি, মদুদা মখোয় অহুম শোকখি। মফমদুদা লৈরম্বা মীওইশিংনা মীওই অমদি ফাহৌবা ঙমখি। মহাকপু ফুবা য়াবা ফুরগা পুলিসতা শিন্নখি।

ফারবা মীওই অদু তাকয়েঞ্জম মুনাল, য়াইরপোক য়াম্বেম লৈকায়দগীনি, বট্টালিয়ন হেদক্বাটরস, খুমন লম্পাক্তা লৈবা অনীশুবা আই আর বিগী পর্সনেল অমনি। রাইফমেন নম্বরনা ১২৯৯৫৩০নি হায়। পুলিসনা ৱাহং চথুরি।

শোক্লবা মীওইশিং অদুদি রাহেরুদ্দিন (১৮) অপোকপা লৈখিদ্রবা জাহেরুদ্দিন, কৈরাও মখা লৈকায়, থবাক্তা বোম মচেৎনা পানবনি হায়। হোস্পিটালদা নাদুনা লায়েংদুনা লৈরিবা মমাগী হীদাক লৈবা থোক্লকপদা শোকপনি হায়। থোকচোম তোম্বা (৪৫), নিংথৌবীগী মচানি, কোংবা লাইশ্রম লৈকায়দগীনি। ওইথংবা নঙ্গনদা শোকপনি। অমনা জাশিকী জৈনা এলিয়জ গুদ্দী জৈনা রাজস্থানদগী সঞ্জয় কৌবা অমগী মচানুপীনি। হৌজিক্না ধর্ম্মশালাদা লৈবনি, মখোঙ ওইদা শোকপনি।

হোস্পিটালগী ষ্টাফশিংনা ধারনা অমা হোস্পিটালগী কেম্পসতা পাঙথোকখি। মদুদা 'বোম পোখায়হনবা য়ানীংদে' 'মরাল লৈজদবা মীওইশিং হোস্পিটালগী কেম্পসতা বোম পোখায়হন্দুনা শোকহনবা য়ানীংদে, 'শান্তি ওইনা হোস্পিটাল মথৌ তৌবা য়াহল্লু', 'হোস্পিটাল কেম্পসতা বোম পোখায়হনবা তোকউ হায়বনচিংবা থারম্মী।

এল কাইলুন, সিনিয়র সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিসনা প্রেস ষ্টেটমেন্ট থোক্তুনা হায়খি, ঙসি অয়ূক পুং ৬.৩০ তাবদা হেন্দ গ্রেনেদ অমা চেম্বর ওফ কর্ম্মস হোস্পিটাল, আলুগলি ইম্ফাল মনাক্কী লম্বীদা পোকখায়খি।

পাউদু হেক ফংবদা সী দি ও ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং জেম দৌনাত, অহুমশুবা আই আর বিনা চঙশিন্দুনা ফনবা হোৎনখি, মুদদা লৈরম্লিবা মীওইশিংগী মতেংদগী মরাল লৈবা মীশক অসি ফাবা ঙমখিবনি।

ফারবা মীওইসিনা হায় মদুদি কে সী পি (এম সী) গী ইবুংঙো হায়বা মীওই অসিগী য়াথংনা সনাকৈথেলদগী মিষ্ট্রেস অবে হায়বী নুপীসিনা হেন্দ গ্রেনেদ অসি পীরকপনি।

মহাক্না মসিমসু য়াজরে মদুদি শান্তি হোস্পিটালদা জুলাই ২৭ অমসুং লাঙ্গোন ভিয়ু ক্লিনিক্তা জুলাই ২৮দা হেন্দ গ্রেনেদ পোকখাহনবদা মহাক য়াওই।

**ওগষ্ট ২১ :** চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবীবু ফম থাদোকউ হায়দুনা ঈরাং হৌরিবা অপুনবা লূপনা হয়েংদগীদি মৈরাগী রেল্লি তৌরগনি হায়।

অপুনবা লূপনা থোকপা চেরোল অমদা হায় মদুদি, মীহাৎপা ইবোবীগী সিফাইশিংনা রেল্লি চৎপদু থিংনবা হোৎনরক্লবদি, খোঙজং চঙশিল্লিবা কাঙবুনা অফংবা খূৎলায় চৈ ওইরবসু, নাওরি ওইরবসু শীজিন্নদুনা সিক্যুরিটি ফোর্সেসকা থেংনবিয়ু।

মখোয়না হায়, মরী লৈনবা ওথোরিটি অমত্তনা সেন্ট্রেল লিদরশিং ওইরবসু, এম এল এ শিংবু ওইরবসু, মিনিষ্টরশিং ওইরবসু ইবোবীবু থাদোকপা পামদে, মখোয়না অসুম্না তৌরবদি মখোয়সু ইবোবীগা তুমিন্নবা তাবনি।

ইবোবীগী মায়োক্তা খোঙজং চঙশিল্লিবা নুপীশিংদা পুলিসনা ফু চৈবা তৌরিবসিগী থৌদাং এম এল এশিং অমসুং মিনিষ্টরশিংনা পুগদবনি।

চেরোলদুনা হায়, ইবোবীনা সিক্যুরিটি ফোর্স শীজিন্নরবসু জুলাই ২৩গী থৌদোক্তুগা মরী লৈননা চঙশিল্লিবা খোঙজং অসিদি নমথবা ঙমদ্রে।

মখোয়না দ্রামা কয়া তৌদুনা মরালশিং অসি অন্দরগ্রাউন্দশিংদা তাইশিন্নবা হোৎনরি; খুদম ওইনা চেম্বর ওফ কম্মর্স হোস্পিটালদা বোম পোকখায়হন্দুনা মীচম মীয়াম শোকপা পনবা থোকহল্লি।

**ওগষ্ট :** অপুনবা লূপ্না হন্দক শাশিন্নবা খূৎ থোক্নবদা মীওই কয়া হাৎপদু য়ানীংদদুনা চথুরকপা ৱাকৎ অদুবু মৈরা পায়বী ওর্গনাইজেসন কয়ানা ৱাকৎ মীফম পাঙথোকখ্রে অমসুং মখল কয়াগী দেমোনষ্ট্রেসনশিং তৌখ্রে। মখোয়না য়ানীংদবা উত্তুনা প্লে কার্দ কয়া পায় । মদুদা ও ইবোবী অমসুং এম এল এ লন্দ্বোনি রিজাইন তৌ, মরাল লৈবা পুলিস পর্সনেল চৈরাক পীয়ু হায়বনচিংবা থাই। ৱাকৎ মীফম অসি ৱাংখৈ মৈহৌবম লম্পাক, শীংজমৈ থোং ৱাংমা ভৈগ্যবতি লৈকায়, নাওরেম লৈকায়, তেরা অমুদোন, কোংবা, কৈশামপাৎ থিয়াম লৈকায়, বিষ্ণুপুর মমাং লৈকায় অমসুং শগোলবন্দগী লৈকায় কয়াগী নুপীশিংনা পাঙথোকখি।

ৱাংখৈ মৈহৌবম লম্পাক্তা ইম্ফাল ইষ্ট পুলিসনা টিয়ার গ্যাস সেল কয়া কাপখি, স্মোক বোম কয়াসু কাপখি। ঙসি অয়ুক মৈরা পায়বীশিংনা ৱাকৎ মীফম ফম্বদু থুগায়নবা কাপখিবনি।

তেরা অমুদোন অমসুং খুরাই সাজোর লৈকায়দসু ৱাকৎ ফম্বী ইমা ইবেনশিংনা ও ইবোবী চীফ মিনিষ্টর, এম এল এ লন্দ্বোনি, দি জি পি অমসুং পুসিল কম্মান্দোশিংগী মীতমশিং নুংথিলদা মৈ থাখি।

রেগ্যুলর ইংলিস হায় স্কুল, ইম্ফাল কোলেজ অমসুং হাবার্দ হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী মহৈরোয়শিংনা টিদ্দিম লম্বীদা হ্যুমেন চেন শেমদুনা ঙসি অয়ুক এজিটেসন তৌখি। অদুবু মতম চানা পুলিসশিং লাক্তুনা ঈরাং শাগৎলম্বদু থিংখি।

এম এল এশিংগী ময়ুমসু লৈকায়গী নুপীশিংনা ঘেরাও তৌরম্মী। অৱাং সেকমাই কান্তো সাবলদা নুপীশিংনা এম এল এ বোরাজাওগী থোঙ্গাল তম্না থোমজিল্লকখি, অয়ুক্তনি অমসুং ধারনা ফম্নবা তৌখি। অদুবু পুলিসনা নুপীশিংদু তানখায়খি।

হিয়াংলম ৱাবাগাইদসু অসুম্না নুপীশিংনা এম এল এ ই দ্বিজামনিগী ময়ুমদা অয়ুক্তা থোমজিন্দুনা ঈরাং তৌখি।

থৌবালগী পুলিস কাঙবু অমনা মখোয়বু তানখায়খি। ৱাংজিং তেন্থাগী মৈরা পায়বী নুপী কয়ানসু এম এল এ এম হেমন্তগী ময়ুম তম্না থোমজিন্দুনা ৱাকৎ মীফম ফম্বা লাকখি অদুবু থৌবাল পুলিসকী ও সীনা লুচিংবা টিম অমনা থিংখি। নুমিৎয়ুংবা অদুৱাইদা টিয়ার গ্যাস কাপ্তুনা অমসুং স্মোক বোম পোকখায়হন্দুনা তানখায়খি।

**ওগষ্ট ২১ :** শকখঙদবা জিপসিদা লাকপা মীওই খরনা এম ও বি সী অমসুং আর দিগী মিনিষ্টর ওইরিবা মহম্মদ অলাউদ্দিনগী মচানুপা মহম্মদ নিজামুদ্দিন এলিয়স বোবোই চহী ২৪বু নুংথিল পুং ৪.৩০ রোম তাবদা লিলোং অরাপতি থোংখোংদগী ফাখি। মমান্নবা খরগা চৎমিন্নরিঙৈদা ফাখিবনি, অদুবু কৈরাও লিতানমখোং, ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্কী মীওইশিংনা মফমদুদা কনখি। ফাখিবগী পাউদু দিষ্ট্রিক্ট পুলিস ষ্টেসন খুদিংদা খঙহনখি। অদুবু মহাক কৈরাও লিতান মখোংগী মীওইশিংনা কলহৌরে হায়বদু খঙখি। জিপসিগী নম্বরনা এম এন ও ৱান কে - ৫২৮০ নি।

পাউ অদু ফংবদা ইম্ফাল ইষ্ট পুলিসকী টিম অমা এস পীনা লুচিংদুনা মফমদুদা চঙশিনখি অদুবু মিনিষ্টরগী এস্কোর্টনা পুখিবনা ৱা হংনবগী খুদোংচাবা ফংখিদ্রে।

**ওগষ্ট ২৩, ২০০৯ :** ২শুবা আই আর বিগী রাইফলমেন তায়েঞ্জম মুনাল য়াইরিপোক য়াম্বেম লৈকায়দগী লৈখিদ্রবা তোম্বগী মচানুপা অসি জুদিসল মেজিষ্ট্রেট ইম্ফাল ইষ্টকী মমাঙদা পুথোক্লবা মতুংদা নুমিৎ তরেৎনিগী পুলিস কষ্টদিদা থম্নবা হুকুম থোকখ্রে।

বট্টালিয়ন হেদ ক্বাটরস খুমন লম্পাক্তা পোষ্টিং তাবা রাইফলমেন অসিনা ওগষ্ট ২১ দা চেম্বর ওফ কর্ম্মসকী হোস্পিটাল মনাক্তা হেন্দ গ্রেনেদ লংশিন্দুনা মীওই ৩ শোহনবদা চেন্নবনি।

**ওগষ্ট ২৩, ২০০৯ :** সিনিয়র সিটিজন ফোর সোসাইটিনা প্রাইম মিনিষ্টর ডা. মনমোহন সিংহদা মেমোরেন্দম অমা থাদুনা হৌজিক ওইরিবা ষ্টেট অসিগী চরাংনবা ফীভম অসিদা খূৎ থিংজনবিনবা অমসুং কোকহনবিনবা হায়জখি।

মখোয়না ঈরাংসি নেমদ্রি ফাওবা প্রসিদেন্ট রুল থম্বীনবা হায়জখি। মেমোরেন্দম অদু সোসাইটিগী প্রসিদেন্ট এন বিনোয়না খূৎয়েক পী, মসিদা শোকচিল্লক্লিবা লো অমসুং ওর্দরগী ফীভম অসিনা সিনিয়র সিটিজন্স ফোর সোসাইটিদা য়াম্না নুংনাংবা পোকহল্লে হায়। নোংমতা কাংদনা মীহাৎ মীপুন, ইমু নাইমু তান্নবা, শেলগীদমক মী ফাবা-হাৎপা, বোম পোকখায়বা, বন্দ ব্লোকেদ কয়া থোক্লে হায়। বন্দ ব্লোকেদ লেপ্তুনা তৌবনা হায়ফম খঙদনা অৱাবা কয়া মীয়াম্না নংলে। মীওই লিশিং কয়া অন্দরগ্রাউন্দ নৎত্রগা সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা হৌখিবা চহী ৫ অসিদা হাৎখ্রে।

হন্দক্তা জুলাই ২৩ দা চুংখাম সঞ্জিৎ অমসুং থোকচোম রাবিনা হাৎখিবা অমসুং মীওই কয়া শোকহনখিবা অদুনা তাক্লে মদুদি শাশিন্নবা খূৎথোক্লবা অসি তশেংনা থোক্লবনি, টেররিজম অসি ষ্টেটনা শৌগৎনবনি।

টেহলকা মেগাজিনদা ফোঙখিবা পিকচরশিং অদুনা সঞ্জিৎ অসি শাশিন্নবা খূৎ থোক্লবদা হাৎখিবনি হায়বসিদা করিসু য়েৎননিঙাই লৈত্রে। তমথীনা হাৎপা তুপ্পা অমসুং মীওইবগী ইজৎ খোঙ্গাওনবা কয়া থোক্লি।

ডা. কিষন অমসুং মাগী মখাদা থবক তৌবা মীওই অনী ফারগা হাৎখিবা, এন সতিসপু শাশিন্নবা খূৎ থোক্লবদা সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা ফাখিবা, স্পেসল কন্ট্রেক্টর কৃষ্ণদাস হাৎখিবা, এম য়ুগী প্রোফেসর ইস্লামুদ্দিন হাৎখিবা, থবক শূবা লাকপা মীতোপ কয়া লেপ্পা লৈতনা হাৎপা, লেপ্পা লৈতনা অনা-লায়েংশঙ, স্কুল অমসুং লন্নাই য়ূমদা শেলগীদমক বোম লংশিনবা অসিনচিংবা কয়াসি হন্দক মরক তোয়না থোকপা ক্রাইমশিংনি।

খ্বাইদগী লাইবক থীবদি অসিগুম্বা মীহাৎ মীপুন অমসুং ক্রাইম অসিদা সিক্যুরিটি পর্সনেল চেন্নবা অসিনি। মীচম মীয়াম্না সিক্যুরিটি ফোর্স অমসুং ষ্টেটকী লৈঙাক্তা থাজবা লৈত্রে। ইবোবী মোরেল গ্রাউন্দা চীফ মিনিষ্টরগী ফম থাদোক্কদবনি। ●